# ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা এম আর বি এফনা গোল্ড অনী লৌখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৯ ঃ

মণিপুর অমেচর বোক্সিং এসোসিএশনগী মিৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমেচর বোক্সিং এসোসিএশন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক বোক্সিং ষ্টেদিয়মদা চথরিবা নুপা অমসুং নুপীগী ৩ শুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ কী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎতা এম আর বি এফনা গোল্ড মেদল অনী লৌখ্রে।

শান্নরোয় ১১৩ না শরুক য়াদুনা চথরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা সব জুনিয়র বোইজগী দি ৩৪ কেজিগী ফাইনেলদা টি বি এগী এম জাদুমনিনা ইন্দিভিজুএল প্লেয়র এ জোতিন মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

সব জুনিয়র দি ৩৬ কী ফাইনেলদা এম আর বি এফকী এল অভিজিৎনা এস আর বি এগী এল জেক্সন মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে। সব জুনিয়র বোইজ দি ৪০ গী ফাইনেলদা এস আর বি এগী এল ইদিপক্লা ইন্দিভিজুএল প্লেয়র এ রামাকান্ত মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

সব জুনিয়র গার্লসকী সি ৪৬ কী ফাইনেলদা এস আর বি এগী দল্লিয়ু ইথোইবী অমসুং টি বি এগী কে ঐচ অঞ্জু অনীনা থেংনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেলদা এস আর বি এগী দল্লিয়ু ইথোইবীনা ইন্দিভিজুএল প্লেয়র লুননিলাং চৱান মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। অনীশুবা সেমী ফাইনেলদা টি বি এগী কে ঐচ অঞ্জুনা এম আর বি এফকী চনলিংৱান কালেংবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

সব জুনিয়র গার্লর্স সি ৪৬ কী ফাইনেল এস আর বি এগী এস ঐচ বিজেতা অমসুং এম আর বি এফকী কে ঐচ বিদ্যারানি অনীনা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেলদা এস আর বি এগী এস ঐচ বিজেতানা ইন্দিভিজুএল প্লেয়র নেংনৈহাল গাংতে মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। অনীশুবা সেমী ফাইনেলদা এন আর বি এফকী বিদিয়া নাওরেম্না ইন্দিভিজুএল প্লেয়র এস তিংমিলা দোঙেল মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

সব জুনিয়র গার্লস এ ৪৬ কী ফাইনেলদা এস আর বি এগী ইলিজা থৌনাওজম অমসুং এম আর বি এফকী কে ঐচ বিদ্যারানি অনীনা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেলদা এস আর বি এগী ইলিজা থৌনাওজম্না টি বি এগী ও পিঙ্কি মায়থীবা পীখি। অনীশুবা সেমী ফাইনেলদা এম আর বি এফকী কে ঐচ বিদ্যারানিনা ইন্দিভিজুএল প্লেয়র ঐচ মোনিকা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

সব জুনিয়র গার্লর্স এ ৪৬ কী সেমী ফাইনেলদা টি বি এগী সনাথোইনা ইন্দিভিজুএল প্লেয়র এম পুজা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। এ ৫৭ কী সেমী ফাইনেল টি বি এগী এন দোলিনা এম আর বি এফকী এল দেবিকারানি মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

# জিরিবাম ফার্ষ্ট দিভিজন লীগতা জে ৱাই সি অমসুং পি ৱাই সি দ্রো ওইখ্রে, থার্দ দিভিজন লীগতা আর ৱাই সি মায় পাকখ্রে





জিরিবাম, সেপ্তেম্বর ২৯ ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএশন (এ জে এস এ) জিরিবামনা শিন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৪ শুবা টি ঐচ রধামনি মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা জে ৱাই সি (জাইরোলপোকপী) অমসুং পি ৱাই সি (ফাইতোল) দ্রো ওইখ্রে। তরুকশুবা পি টিলোটমা দেবী মেমোরিএল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী মেচতনা আর ৱাই সি মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফার্ষ্ট দিভিজন লীগতা জে ৱাই সি (জাইরোলপোকপী) অমসুং পি ৱাই সি (ফাইতোল) গোল ৩-৩ দা দ্রো ওইখ্রে।

মেচ অদুদা পি ৱাই সি (ফাইতোল) অমসুং জে ৱাই সি (জাইরোলপোকপী) অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। মেচ অদুদা জে ৱাই সিগী অহানবা গোল রুপুইথাংনা গোল অনী মেচকী ১৭ অমসুং ৬৫ শুবা মিনিটতা চনখি। মালসোম কুমনা টিমদুগী অহুমশুবা গোল মেচকী ৫৭ শুবা মিনিটতা চনখি।

পি ৱাই সিগী অহানবা গোল পাওতিমখুপনা মেচকী ২৭ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৪০ শুবা মিনিটতা মহাক্না অমুক হন্না চনখি। টিমদুগী অহুমশুবা গোল কমখুলুনন্না মেচকী ৩৭ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা থার্দ দিভিজন লীগকী মেচ অদুদা আর ৱাই সিনা সনরাইজ ক্লব কদমতলা গোল ৪-৩ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা আর ৱাই সিগী গোলশিং অদু কুইগৌপুনা গোল অনী মেচকী ১৯ অমসুং ৩৯ শুবা মিনিটতা চনখি। গাইকাওলুংনা গোল অমা মেচকী ৫৬ শুবা মিনিটতা অদুগা গ্যানসাইলুংনা গোল অমা মেচকী ৭৭ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা সনরাইজ ক্লবকী গোলশিং অদু জেমসন্না গোল অনী মেচকী ৭০ অমসুং ৭৯ শুবা মিনিটতা চনখি।

# অটল সাইখোম্না মহেশ মায়থীবা পীদুনা সব জুনিয়র বোইজগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৯ ঃ

ওল মণিপুর কেরোম এসোসিএশন্না শিন্দুনা শগোলবন্দ নেপ্রা মেঞ্জোর পুখ্রি মপান্দা লৈবা কম্যুনিতি হোলদা চথরকপা ২৬ শুবা ষ্টেট লেভেল এজ গ্রুপ অমসুং ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কেরোম টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী সব জুনিয়র বোইজগী ৱিন্নর অটল সাইখোম্না ওইখ্রে।

হৌখিবা তাং ২৪ দগী চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা সব জুনিয়র বোইজগী ফাইনেলদা অটল সাইখোম্না এম মহেশ ২১-১২, ১৮-১ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে। মায়থীহৌরবা এম মহেশনা রন্নর্স-অপ তাখ্রে।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং জুনিয়র বোইজ অমসুং মেন'স সিঙ্গলস অমদি ভেটরানগী ফাইনেল শান্নদুনা লোইশিল্লগনি। মেন'স সিঙ্গলসকী ফাইনেল হয়েং এম মাধোব অমসুং টি ঐচ রোবার্ট অনীনা থেংনরগনি। ফাইনেল চঙখ্রবা এম মাধোবনা সেমী ফাইনেলদা সি ঐচ অরুন ২৫-১১, ৮-২৫, ২১-১৪ দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা সেমী ফাইনেলদা টি ঐচ রোবার্টনা এম সদানন্দা ২৫-৭, ৫-১৮, ২৫-৬ তা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি। ভেটরানগী ফাইনেল হয়েং কে কেসো অমসুং এস বিমোলজিৎ অনীনা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেলদা এল কেসোনা কে ঐচ জুগিন্দ্রো ২৫-০, ২৫-৪ দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা সেমী ফাইনেলদা এস বিশ্বরজিৎনা এম কুমার ২০-১৭, ২২-২১ দা মায়থীবা পীখি। জুনিয়র বোইজগী ফাইনেলদা হয়েং অটল সাইখোম অমসুং এ জেমস অনীনা শান্নরগনি।

## মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা জুনিয়র নেসনল ফেন্সিং পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ ঃ মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা ২৪ শুবা জুনিয়র নেসনল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ চহীসিগী নবেম্বর ১২ দগী ১৫ ফাওবা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি।

ফেন্সিং এসোসিএশন ওফ ইন্দিয়াগী মিৎয়েং মখাদা মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএশন্না শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র নেসনল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ অসিদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ানবা শান্নরোয়শিং খন্নবগী ত্রাইএল সেলেক্সন ওক্টোবর ২ দা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি। মরম অদুনা শরুক য়াগদবা ফেন্সর অমসুং কোচশিংনা মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএশনগী সেক্রেটরিদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

# আই জি ওনা জুনিয়রগী, এন ৱাই ভি এনা সব জুনিয়রগী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৯ ঃ ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরকপা ১৫ শুবা সব জুনিয়র, ৩৬ শুবা জুনিয়র ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা আই জি ও ওইনাম্না জুনিয়র বোইজগী অদুগা এন ৱাই ভি এনা সব জুনিয়র বোইজগী ৱিন্নর ওইখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা সব জুনিয়র বোইজগী ফাইনেল মেচ অদুদা এন ৱাই ভি এনা এস য়ু দল্লিয়ু সি সেট ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

মেচ অদুদা টিম অনীমক্না চাং মান্নরপ তৌনা শান্নখিবনা এন ৱাই ভি এনা অহানবা অমসুং অনীশুবা সেট মায় পাকখি। অহুমশুবা সেটতা এস য়ু দল্লিয়ু সিনা অমুক মায় পাক্ত্তনা সেট ২-১ দা লৈখি। মরিশুবা সেটতা এন ৱাই ভি এনা মায় পাকপদগী সব জুনিয়র বোইজগী ৱিন্নর ওইখি।

মেচ অদুগী অহানবা সেটতা এন ৱাই ভি এনা এস য়ু দল্লিয়ু সি ২৫-১৯, অনীশুবা সেটতা ২৫-২১, অহুমশুবা সেটতা ২৩-২৫, মরিশুবা সেটতা ২৫-২৩ দা মায়থীবা পীখি। জুনিয়র বোইজগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা আই জি ও ওইনাম্না এন ৱাই ভি এ সেট ৩-১ (২৫-২০, ২০-২৫, ২৬-২৪, ২৯-২৭) দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। মায়থীহৌরবা এন ৱাই ভি এনা রন্নর্স-অপ তাখি। ৱিন্নর অমসুং রন্নর্স-অপ তাখ্রবা টিমশিংদা মনাসু য়েন্থোকখি।

# ইম্ফাল ইষ্ট সুপর দিভিজন লীগতা এলেভেন ষ্টার অমসুং ৱাই ও এস সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৯ ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা সুপর দিভিজন লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এলেভেন ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন অকাম্পাৎ অমদি ৱাই ও এস সি খুরাই মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এলেভেন ষ্টার অকাম্পাৎনা য়ু পি এস এ পুখাও গোল ৪-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা টিম অমনা অমবু লাকশিনবদা ৱানখি।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এলেভেন ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন অকাম্পাৎকী গোল অদু সোভামি এস পিনা গোল অনী মেচকী ২৮ অমসুং ৩২ শুবা মিনিটতা চনখি। এন রমেসনা গোল অনী মেচকী ৪৪ অমসুং ৫৮ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা পুখাওগী গোল অহুম অদু এন রাজুনা গোল অনী মেচকী ১৮ অমসুং ৪১ শুবা মিনিটতা চনখি। এন রমেসচন্দ্রনা গোল অমা মেচকী ২৬ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ অদুদা এলেভেন ষ্টারগী সোভামি এস পি ১৫ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা ৱাই ও এস সিনা উপা ক্যামগৈ গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীখ্রে।


মেচ অদুদা মায় পাক্লবা ৱাই ও এস সিগী অহানবা গোল কে ঐচ তোনদোনবনা মেচকী ২৩ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল অদুসু মহাক্না মেচকী ৬৬ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অহুমশুবা গোল ফরিজখানন্না মেচকী ৮২ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা উপা ক্যামগৈগী অহানবা গোল ৱাই সোভানা ৪৮ শুবা মিনিটতা অদুগা টিমদুগী অনীশুবা গোল এম দি নৱাজনা মেচকী ৬৮ শুবা মিনিটতা চনখি।




HL-B/3305/8/9-7/10








Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com